HUEIYEN LANPAO

# জুদিসল রিফোর্ম লেপ্পবা তকশিনখিবা ইজরেলগী দিফেন্স মিনিষ্টর গলান্ট পিএম নেটন য়াহুনা মফম লৌথোকখ্রে



জেরুসালেম, মার্চ ২৭ (এজেন্সী):
ৱাথোক ওইরবা জুদিসল রিফোর্মগী থৌরাং লেপ্পনবা গভর্ণমেন্টদা তকশিনখিবা ইজরেলগী দিফেন্স মিনিষ্টর য়ুআব গালান্ট প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটনয়াহুনা মফম লৌথোকখ্রে।

হিরম অসিগা মরী লৈননা নেটন য়াহুগী ওফিসনা নোংমাইজিং নুমিৎকী অথেংবদা থোকখিবা অতেনবা ষ্টেটমেন্ট অমদা মরম অমত্তা পীদনা মহাক্লা গালান্টপু মফম লৌথোক্লবা ৱারেপ লৌরে হায়না পনখি।

খোঙথাং অদু প্রাইম মিনিষ্টরগী কোল্লিসন্না মরু ওইবা রিফোর্ম বিলশিং নমদুনা পাস তৌনবা হোৎনরকপনি হায়বগী ইঙ্গিৎ অমনি হায়না লৌনরি। বিলশিং অদু চয়োল অসিগী অথেংবা শরুক্তা পার্লিয়ামেন্টতা ভোট লৌনরবা য়াই। প্রাইম মিনিষ্টরনা মফম লৌথোকখ্রবা মতুংদা গালান্টনা মদুগী রেস্পোন্স ওইনা ত্বিট অমদা হায়খি, মদুদি ইজরেলগী সেক্যুরিটি অসি মতম পুম্নদা মহাক্কী পুন্সিগী মিশন অমা ওইদুনা লাকখি, মখা তানসু মহাক্কী পুন্সিগী মিশন অমা ওইদুনা লৈগনি।

গালান্টপু মফম লৌথোক্লিবদু ইজরেল্লি নেসনেল সেক্যুরিটি মিনিষ্টর ইটামর বেন-গাবিরনা তরাম্না ওকখ্রে। মিনিষ্টর অসি রিফোর্মশিংগী থৌরাং অদুবু থরায় য়াওনা শৌগৎপা কোল্লিসনগী মিনিষ্টরনি।

ওপোজিসন লিদর অমসুং সেন্ট্রস য়েস অটিট পার্টিগী চিয়ারমেন য়েয়ার লাপিদনা নেটন য়াহুবু গেলেন্ট মফম লৌথোকখিবগীদমক ক্রিটিসাইজ তৌখি অমদি ইজরেলগী জুদিসল সিষ্টেমদা অহোংবা চাওনা লাকহন্নবা খোঙজেল থুনা খোঙথাংশিং লৌখৎপা হায়বসি ইজরেলগী সেক্যুরিটিদা পীবা থ্রেট অমনি হায়না ৱার্নিং তৌখি।

হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা টেলিভিজনদা শন্দোকখিবা স্পিচ অমদা গালান্টনা গভর্ণমেন্টদা ওপোজিসন পার্টিশিংগা দাইলোগ চথনবা অমসুং নেসেটনা পাস ওভরগী হোলিদে মতুং রিকনবেন্দ তৌদ্রিবা ফাওবা বিলশিং অদুবু পাস তৌনবা হোৎনরিবদু য়েথোক্লনবা তকশিনখি।

মহাক নেটন য়াহুগী ফার-রাইট কেবিনেটতা সুপ্রিম কোর্টকী মপাঙ্গল শোন্থহন্নবা খাইবুং তাহন্নবা পুথোরক্লিবা থৌরাং অদুবু লেপ্পনবা গভর্ণমেন্টতা তকশিনখিবা অহানবা মিনিষ্টরনি। নেটন য়াহুগী লিকুদ পার্টিগী সেনিয়র মিনিষ্টর অমা ওইরিবা গালান্টনা হায়খি, মদুদি জুদিসল রিফোর্ম চাওনা শেমদোক্লবা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অদুনা ইজরেল্লি সোসাইটি অমসুং মিলিটরিদা মথোং মরম খঙদবা ফিভম অমা লাকহন্দুনা নেসনেল সেক্যুরিটিদা থ্রেট অমা পীরি। গালান্টকী মতুংদা লিকুদকী অতৈ লো মেক্কর অনী অমদি মিনিষ্টর অমনা ৱাথোক ওইরবা প্লান অদুবু লেপ্পনবা মান্নবা মওংদা গভর্ণমেন্টদা তকশিনখি। প্লান অদুনা ইজরেল শীন থুংনা পাক শন্না প্রোটেষ্ট চথহনখি।

মদুনা ইজরেল্লি মিলিটরি মরক্তা পেন্দবা হেনগৎহনবগা লোয়ননা কম্বেদ পাইলোটশিং, ইন্টলিজেন্স ওফিসরশিং অমসুং সাইবর এক্সপার্টশিং য়াওনা এলিট য়ুনিটশিংগী রিজার্বিস লিশিং কয়ানা হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা ওপন লেটরশিং ইদুনা করিগুম্বা পার্লিয়ামেন্টতা রিফোর্মশিং অদু পাস তৌবা তারবদি মখোয় দ্যুটিগীদমক্তা রিপোর্ট তৌরোই হায়না লাউথোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নেটন য়াহুনা জুদিসল রিফোর্ম প্লান অদুগী মতাংদা হায়রিবদি সুপ্রিম কোর্টকী কা হেনবা এক্তিভিষ্টকী মতৌ অদু লাকশিন্নবা হোৎনবদা খোঙথাং অদু য়াম্না মথৌ তাই হায়বসিনি।

# নোর্থ কোরিয়ানা ইষ্ট সীদা সোর্ট রেঞ্জ বেলেষ্টিক মিসাইল অনী কাপখ্রে

সিওল, মার্চ ২৭ (এজেন্সী):
য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা সাউথ কোরিয়াদা চথুরক্লিবা মিলিটরি এক্সর্সাইজশিং হেন্না কনশিন্নবা পেনিন্সুলা অদুগা নক্কনা এয়র ক্রাফট করিয়র ষ্ট্রাইক গ্রুপ অমা দিপ্লোই তৌনবা হোৎনরকখিবগা লোয়ননা লমদম অদুদা উংখৎনবা হেনগৎলকপগী ফিভম অমা লৈরিঙৈ মরক্তা নোর্থ কোরিয়ানা নিংথৌকাবা নুমিত্তা লৈবাক অসিগী নোংপোক থংবা সমুদ্র খোঙবানগী মনাক নক্লা ঈশিংদা সোর্ট-রেঞ্জ বেলেষ্টিক মিসাইল অনী কাপখ্রে।



সাউথ কোরিয়াগী জোইন্ট চীফ ওফ ষ্টাফনা ফোঙদোকখিবদা মিসাইলশিং অদু নোর্থ কোরিয়াগী কেপিটেল পিওংয়াংগী খারোমদা লৈবা নোংচুপ থংবা ইনলেন্দ এরিয়া অমদগী কাপখিবা মতুং লৈবাক অসিগী বোর্দর লান্না পাইখি। তৌইগুম্বসুং জোইন্ট চীফ ওফ ষ্টাফকী ষ্টেটমেন্ট অদুদা অকক্লবা ফ্লাইটকী অকুপ্পশিংদি খুদক্কী ওইনা পনখিদে।

জপানগী কোষ্ট গার্দনা ফোঙদোরকখিবদা খুৎলায় অনীমক জপানগী এক্সক্লুসিব ইকনোমিক জোনগী ৱাংমদা তাশিনখি হায়বগী থাজবা লৈ।

মিসাইল লোঞ্চশিং অদু থা অসিগী মনুংদা পাঙথোকপা নোর্থকী তরেৎশুবা মিসাইল ইভেন্টনি। মদুনা লমদম অদুদা মিলিটরিগী উংখৎনবা লেপ্তুনা হেনগৎলক্লি হায়বসি উৎলি হায়রি।

নোর্থ কোরিয়ানা লেপ্তুনা খুৎলায়শিং চাংয়েং তৌবা অমদি য়ুএস অমসুং সাউথ কোরিয়ানা জোইন্ট মিলিটরি এক্সর্সাইজশিং পাঙথোক্তুনা অমগা অমগা লমন খুন্বগী থৌওংশিং চথনদুনা হৌখিবা থা খরা অসিদা পেনিন্সুলা অদুদা উংখৎনবা হেনগৎলকখিবনি।

মীচং লৈবাকশিং অসিনা হৌখিবা চয়োলদা চহী কয়ামুক্কী মনুংদা মখোয়গী খ্বাইদগী চাওবা ফিল্দ ট্রেনিং য়াওখিবা নুমিৎ ১১ নিগী এক্সর্সাইজ মপুং ফানা লোইশিনখি। তৌইগুম্বসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা অতোপ্পা রাউন্দগী জোইন্ট ড্রিলস অমগীদমক চয়োল অসিদা পেনিন্সুলা অদুদা এয়রক্রাফট করিয়র গ্রুপ অমা থৌজিনবদগী নোর্থ কোরিয়ানা মখা তানা খুৎলায় চাংয়েংশিং চথুরকপা য়াই হায়না থাজনরি।

চহী অসিদা নোর্থ কোরিয়ানা লোঞ্চ ইভেন্ট ১১ পাঙথোক্তুনা বেলেষ্টিক অমসুং ক্রুজ মিসাইল ২০ গী মথক্তা কাপখ্রে হায়রি।

# ইন্দিয়ন-ওরিজিন সিখ নুপী অমা কন্নেক্টিকটকী অহানবা এসিষ্টেন্ট পুলিস চীফ ওইনা ৱাশক লৌখ্রে

ন্যু য়োর্ক, মার্চ ২৭ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াদগী হৌখিবী সিখ নুপী মন্নিক কোলোন কন্নেক্টিকটকী ন্যু হেবন সিটিগী অহানবা এসিষ্টেন্ট পুলিস চীফ ওইনা ৱাশক লৌখ্রে।



মহাক অৱাংবা থাক্কী পোজিসন অদুদা কাখৎলকখিবা দিপার্টমেন্ট অদুগী অহানবা ইন্দিয়া-অমেরিকননি অমসুং অনীশুবা কুচু মুবা নুপী এসিষ্টেন্ট চীফনি।

ন্যু হেবন ইন্দিপেন্দেন্টগী রিপোর্টনা হায়রি, মদুদি ন্যু হেবনগী বোর্দ ওফ পুলিস কম্মিস্নর্সনা মশাগী চহী ৩৭ শুরবী কোলোনগী এপোইন্টমেন্ট অদু মত অমত্তা ওইনা এপ্রুভ তৌখি। মহাক মমাঙদা ইন্টর্নেল এফিয়র্স ওফিসতা লেফটনেন্ট অমা ওইনা লৈরম্মী। মুম্বাইদা পোকখিবী কোলোন মহাক্কী ইমুংগা লোয়ননা মশাগী চহী ১১ শুবা মতমদা ক্বিন্সতা হোংখি অমসুং য়ুনিভর্সিটি ওফ ন্যু হেবনদা ক্রিমিনেল জষ্টিস তমখি।

কোলোননা দিপার্টমেন্ট অদুগী অহানবা ইন্দিয়ন-অমেরিকন এসিষ্টেন্ট চীফ ওইনা মহাক্কী ষ্টেটস অদুগা মান্নবা বেকগ্রাউন্দশিং লৈবা অতৈবুসু লো এনফোর্সমেন্টদা অচৌবা ফমশিং পায়নিংবগী ইনোৎ হাপ্পগনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোকখি।

ন্যু হেবন ইন্দিপেন্দেন্টগী ইন্টরভিয়ু অমদা কোলোননা মহাক সিখ ইমুং অমদগী হৌরকপনি, পঞ্জাবি লোন ঙাওই অমসুং মহাক্কী হেরিটেজ অদুগীদমক য়াম্না চাওথোকচৈ হায়খি।

মনমিটনা মখা তানা হায়খি, মদুদি মহাক্লা খ্বাইদগী হেন্না মরু ওইনা লৌরিবদি মিশন অদুগা লোয়ননা দিপার্টমেন্টকী ভেল্যুশিং অদুবুনি। মহাকপু ফম অদুদা প্রমোট তৌরিবদু ফজবা অমসুং মীচং মীখাই নাইদবগী থৌওংনি হায়না মহাক্লা লৌই।

মহাক্কী বেকগ্রাউন্দ, মহাক্কী মোরেল, মহাক্কী ইমুংগী ভেল্যুশিং অমসুং ট্রেদিসনশিং খন্নরবা মতুংদা মহাকপু ফম অসিদা পুখৎলকখিবনি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থা অসিগী অঙনবদা কোলোনগী মচানুপীনা অনৌবা এসিষ্টেন্ট চীফকী বেজ অদু মহাক্কী মমাগী য়ুনিফোর্মদা থেৎখি অমসুং মদুগী মতুংদা মেয়র জষ্টিন ইলিক্করনা মহাকপু ওফিস পায়বগী ৱাশক লৌহনখি। তমজ নিংঙাই ওইরবা এসি কোলোন অসি এন ঐচ পি দিগী পুৱারীদা ইন্দিয়াদগী হৌরক্লুগা পোজিসন ফম অদু পায়বা অহানবা মীশক্লি অমসুং কল্লরগী অনীশুবা নুপীনি।

অনৌবা থৌদাং অদুদা মহাক্লা সিটি অদুবু অঙম্বা থাক্তা কথোকপগা লোয়ননা হোৎনদুনা থৌগল তৌগনি হায়না ইন্দিয়ন-ওরিজিন সিখ নুপী অসিনা ইন্টরভিয়ু অদুদা ফোঙদোকখিবনি।

# কাঠমান্দুদা লৈবা ইন্দিয়ন এম্বেসিনা অমৃটপাল সিংহ নেপালদা লোৎলি হায়না ক্লেম তৌখ্রে

কাঠমান্দু, মার্চ ২৭ (এজেন্সী):
কাঠমান্দুদা লৈবা ইন্দিয়ন এম্বেসিনা প্রো-খালিষ্টান রেদিকেল সিখ প্রিচর অমৃট পাল সিংহ হৌজিক নেপালদা লোৎলি হায়না ক্লেম তৌবগা লোয়ননা হিমালয়ন লৈবাক অদুগী গভর্ণমেন্ট এজেন্সিশিংদা মহাকপু ফাননবা হায়জখ্রে।

মিশন অদুনা মার্চ ২৫ দা মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরেন এফিয়র্সকী মখাদা লৈবা দিপার্টমেন্ট ওফ কোন্সুল্লর সর্ভিসেসতা ইখিবা লেটর অমদা ক্লেম অদু তৌখিবনি। লেটর অদুনা হায়রিবদি দিপার্টমেন্ট ওফ ইম্মিগ্রেসনদা অমৃট পাল সিংহবু অহুমশুবা লৈবাক অমদা চৎননবগীদমক্তা নেপালদা চথোক চৎশিন তৌবগী অয়াবা পীদনবা খঙহন্নবা অমসুং করিগুম্বা মহাক্লা ইন্দিয়ন পাসপোর্ট অমা শীজিন্নরগা নত্তগা অতৈ শেমজিন শাজিনবা পাসপোর্ট অমা শীজিন্নরগা নেপালদগী নাম্থোক্লবা হোৎনরক্লবদি মহাকপু ফাননবা খঙহন্নবা ফোরেন মিনিষ্ট্রিদা হায়জরি।

ছোর্স খরনা কাঠমান্দু পোষ্টতা ফোঙদোকখিবদা লেটর অদুগা লোয়ননা অমৃট পাল সিংহগী পর্সনেল দিটেলস পুম্বা হোটেলশিং অমসুং এয়রলাইনশিং য়াওনা মরী লৈনবা পুম্নমক্তা সার্কুলেট তৌখ্রে।

অমৃট পাল সিংহ অসি তোঙান তোঙানবা আইদেন্টিটিশিং য়াওবা পাসপোর্ট কয়া পায় হায়না থাজ নৈ। পঞ্জাবতা অমৃট পাল সিংহ অমসুং মহাক্কী এসোসিয়েটশিংগী মায়োক্তা খোঙথাং কয়া লৌখৎনবা কন্না হোৎনরিঙৈদা ইন্দিয়ন মিশননা নেপালদা অমৃটপাল সিংহ লোৎতুনা লৈরি হায়না ক্লেম তৌখিবনি। নেসনেল সেক্যুরিটি এক্ট পানখিবগা লোয়ননা নন-বেলেবল ৱারেন্ট অমা ইস্যু তৌখ্রবা অমৃট পাল সিংহবু ফাননবা মার্চ ১৮ দগী থী হুম্বগী থবক চাওনা চথুরক্লবসু মহাক কোইচেন চেন্দুনা লৈরক্লিবনি। মশানা মশাবু প্রিচর অমনি হায়না ক্লেম তৌখিবা অমৃটপাল সিংহ মমাঙগী চহীদা দুবাইদগী হল্লকখিবনি।

# পোলিটিকেল আউটফিটকী চীফ থাদোক্লবা তকশিন্দুনা পাকিষ্টানদা বুরকা শেৎপী নুপীশিংনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে



ইস্লামাবাদ, মার্চ ২৭ (এজেন্সী):
হৌখিবা জনুৱারীদা পাকিষ্টানি পোলিটিকেল আউটফিট হবদো টেহরিক (ঐচ দি টি) গী চীফ মৌলানা হিদিয়াটুর রেহমন ফাখিবা মতুং হৌজিক ফাওবদা গ্বাদরদা ইং চিকপগী ফিভম লৈরকখি। তৌইগুম্বসুং টাউন অদুদা চৎনহল্লম্বা সেক্সন ১৪৪ লৌথোকখিবদগী মৌলানাবু ফাবগী মায়োক্তা অমুক হন্না প্রোটেষ্টশিং চথুরকখি।

হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা বুরকা শেৎপী নুপীশিংনা দিমোন্সট্রেসন অমা পাঙথোক্তুনা মৌলানা হিদিয়া থাদোক্লনবা ওথোরিটিশিংদা তকশিনখি। চহী অমা হেন্না লৈবাক পুম্বনা মীৎয়েং চঙনরকখিবা গ্বাদরগী খোঙজং অদুদা মাসি জৈনাব কৌবী নুপী অসিনা মরু ওইবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি।

জৈনাবকী মতুং ইন্না ঐচ দি টিগী চীফ অদু মরম অমত্তা লৈতনা জেলদা থম্লিবনি। সী পোর্ট অদুগা নক্লবা মুলাবান এরিয়া টাউনদা দোন পাউচেদা জৈনাবনা হায়খি, মদুদি ঐচ দি টিগী লুচিংবা অদু গ্বাদরগী মীয়ামদা চথুরক্লিবা ইনজষ্টিসকী মায়োক্তা ৱা ঙাঙখিবগীদমক চৈরাক পীবনি।

সেক্যুরিটিগী ৱাফমনা মরম ওইদুনা ঐখোয়গী ঙামীশিং সমুদ্রদা থোকপা য়াহন্দ্রে। ঙামীশিংগী মরক্তা ইমুংশিং নোংমগী চারা শুনা চাদবা য়াওনরে। তৌইগুম্বসুং মৌলানা হিদিয়াটনা লুচিংদুনা প্রোটেষ্ট কয়া চথুরকপদগী ওথোরিটিশিংনা ঙামীশিংদা রিলিফ খরদি পীখি।

জাইনিনা মখা তানা ফোঙদোক-খিবদা মৌলানানা গ্বাদরগী মীয়ামদা থৌনা হাপখি। পোর্ট সিটি অসিগী মী অয়াম্বা ওথোরিটিশিংনা মীৎয়েং অমত্তা চঙবীদনা লাক্লি। পোর্ট সিটি অসিবু চাওখৎহন্নবনি হায়দুনা প্লান অমা পুথোকপা লৈনা লৈনা সিটি অসিগী মীওইশিংবুদি ওথোরিটিশিংনা থৌশাদ্রিবনি হায়না জৈনিনা ফোঙদোকখি।

ঐচ দি টিগী মেম্বর অমা ওইরিবা জারবুল বোলোক্স কৌবী অতোপ্পা নুপী অমসু মরু ওইবা ওর্গনাইজরশিংগী মনুংদা অমনি। মহাক্লা নুপীশিংগী ওইবা প্রোটেষ্ট খোঙচৎতা মাঙজিল থানা শরুক য়াখি।

দোন পাউচেদা ৱা ঙাঙবদা মহাক্লা গ্বাদরগী সিটিজনশিংগী ঈশিং, ইলেক্ট্রিসিটি, এদুকেসন অমসুং হেল্থকুম্বা তঙাই ফদবশিং অসিগী খুদোংচাবা ফঙহন্দ্রিবসি য়াম্না নুংনাংনিংঙাইনি। খ্বাইদগী ওইনা মীপায়নিংঙাই ওইরিবা দিভলপমেন্টদি লোনা য়াদবা মওংদা ট্রোল্লিং তৌদুনা ঙা অপুম্বা তুম্না ফাদোকপা অসিনি হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

# সক্রা মেন্টো কাউন্টিদা লৈবা গুরুদ্বরা অমদা নোংমৈ কাপ্পদা মীওই অনী শোকখ্রে

সক্রা মেন্টো, মার্চ ২৭ (এজেন্সী):
হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা য়ুএসকী গুরুদ্বরা অমদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অমদা মীওই অনী অশোক অপন নঙখ্রে হায়না মেদিয়া রিপোর্টশিংনা পুলিসকী ৱারোল পল্লদুনা হায়রি।

পুলিসনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা থৌদোক অদু হেট ক্রাইমগা মরী লৈনদে। নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদু কার্লির্ফোনিয়াগী সক্রা মেন্টো কাউন্টিদা লৈবা গুরুদ্বরা সক্রা মেন্টো সিখ সোসাইটিদা নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তাবদা থোকখিবনি। রিপোর্টশিং অদুগী মতুং ইন্না ভিক্তিম অনীমক অরুবা ফিভমদা লৈ।

এজেন্সিনা সক্রা মেন্টো কাউর্ন্টি সেরিফকী ওফিসকী ৱারোল পল্লদুনা হায়, কার্লির্ফোনিয়াগী সক্রা মেন্টো কাউর্ন্টিগী গুরুদ্বরাদা অমগা অমগা মশক খঙনবা মীওই অনীগী মরক্তা নোংমৈ কাপ্নবদা মীওই অনী অরুবা ফিভমদা শোক্লে। থৌদোক অদু হেট ক্রাইম অমত্তগা মরী লৈনদে।

মীওই অহুম অহানবদা খুতুম্না থিন্নদুনা ফুনরম্বদগী খৎনবা অদু নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অমা ওল্লকখিবনি হায়না সক্রা মেন্টো কাউর্ন্টি সেরিফকী ওফিসকী স্পোক্স পার্সন অমর গান্দীনা ফোঙদোকখি।

সস্পেক্ট ১না সস্পেক্ট ২ গী মরুপতা কাপ্পদা সস্পেক্ট ২ অদু লৈমায়দা তুখি। মদুগী মতুংদা সস্পেক্ট ২ অদুনা সস্পেক্ট ১ দা নোংমৈ কাপ্লল্লবা মতুংদা চেনখি। খৎন চৈনবা অদুদা শরুক য়ারিবশিং অদু অমগা অমগা খঙনবা ঙাক্তা মাল্লি।

থৌদোক অদু মমাঙদগী লৈরকখিবা মখোয় মশেল অমগা অমগা য়ানদবা ৱাফমশিংগা মরী লৈনদবা মাল্লি হায়খি।

# ব্রাজিলগী নাইটক্লবতা নোংমৈ কাপ্পদা মীওই অহুম শিরে

ব্রাজিলিয়া, মার্চ ২৭ (এজেন্সী):
ব্রাজিলগী সাউ পাউলো ষ্টেটতা লৈবা সাউথ কার্লোস সিটিগী নাইটক্লব অমদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অমদা মীওই অহুম শিখ্রে অমসুং অতৈ অনীনা অশোক অপন নঙখ্রে।

নোংমাইজিং নুমিত্তা পুলিসনা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা থৌদোক অদুগী মতাংদা এজেন্সিনা হায়রিবদি নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদু য়ু কন্না ঙাওবগীদমক নাইটক্লব অদুদগী তান্থোকখিবা নুপা অমনা নোংমৈ অমা পায়রগা হল্লক্লগা মফম অদুদা লৈরিবশিংদা নোংমৈ কাপখিবগা লোয়ননা থোকখিবনি।

নুপা অদুনা নোংমৈ কাপ্পা অদুদা খুদক্তা মীওই অনী শিখি অমসুং অতৈ অনীনা শোকপদগী হোস্পিটলাইজ তৌখি। মশাগী চহী ৩৬ শুরবা এসেলেন্ট অদু এরিয়া অদুদা দ্যুটি তারিবা পুলিস ওফিসর অনীনা কাপ্পদা শিখি হায়না লোকেল পুলিস কম্মিস্নর গিলবার্টো অকুইনোনা ফোঙদোকখি।

# মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবা আপিল তৌবা লৈরবসু হৌথিশিংনা য়েমেনদা মিলিটরি ওপরেসন চাওথোকখ্রে

অদেন, মার্চ ২৭ (এজেন্সী):
য়েমেনগী হৌথি মিলিসিয়ানা লৈবাক অদুগী গভর্ণমেন্টনা কন্ত্রোল তৌরিবা তোঙান তোঙানবা এরিয়াশিংদা মখোয়গী মিলিটরি ওপরেসন হেন্না কনশিনখিবগা লোয়ননা মতম কুইরক্লবা কনফ্লিক্ট অদু হেন্না লুশিলহল্লে হায়না গভর্ণমেন্ট ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।



লোকেল গভর্ণমেন্ট ওফিসল অদুনা নোংমাইজিং নুমিত্তা এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবদা হৌথিশিংনা মেরখা অল-উলিয়া দিষ্ট্রিক্টকা থংনবা বেদা প্রোভিন্সকা শম্নহল্লিবা চীংগী লম অমদা লৈবা গভর্ণমেন্টকী সবৱা দিফেন্স ফোর্সেসতা এটেক চথুরকখি। হন্দক্তা য়ুএননা ৱাতেমদুনা পিছ দিল অমা পুরক্লবা হোৎনখিবা লৈনা লৈনা কনফ্লিক্ট অদু হন্থরকপগী মমি অমত্তা উদ্রি। হৌথিশিংনা মরু ওইনা থাউ মরাং কায়না ফঙবা সবৱা অমসুং মারিব প্রোভিন্সশিংগী ষ্ট্রেটেজিক টার্গেটশিংদা মীৎয়েং থমদুনা হৌখিবা পুং ৪৮ চুপ্না লেপ্তুনা এটেক তৌবদগী মতম কুইরক্লবা কনফ্লিক্ট অদু হেন্না লুশিলহল্লিবনি হায়না গভর্ণমেন্ট ওফিসল অসিনা ফোঙদোকখি।

ওফিসল অসিনা হায়খি, মদুদি হৌথিশিংনা থাউ মরাং কায়না ফঙবা প্রোভিন্সশিং অদুদা লেপ্তুনা মিলিটরি ওপরেসনশিং চথুরিবা অদুনা য়েমেন অমসুং মসিগী রিছোর্সশিংবু মখোয়না য়ারিমখৈ কন্ত্রোল তৌবা পাম্মী হায়বসি উৎলি।

পুং কয়া চুপ্না লান্থেংনরবা মতুংদা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা সবৱাদা হৌথিশিংগী এসোল্ট অদু মায় পাকহনখিদে। তৌইগুম্বসুং লান অদুদা নাকল অনীমক্তা শিবা অমদি শোকপা কয়া য়াওখি। য়েমেনগী অতৈ মফমশিংদা হৌথিশিংনা মারিবকী মায়োক্তা মিলিটরি ওপরেসন চাওনা চথনবা শেম শাবা হৌখ্রে। প্রোভিন্স অসি গ্যাস রিছোর্সশিং অমসুং ওইল রিফাইনরি অমা লৈবনা মরম ওইদুনা ষ্ট্রেটেজিক ইম্পোর্টেন্স লৈ হায়না লৌনৈ। গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা মারিবকী হরিব দিষ্ট্রিক্ট পায়শিন্নবা হৌথিশিংনা অকনবা লান শোক্লদুনা লাকখি।

অমরোমদা, হৌথি রেবেলশিংনসু এরিয়া অদুবু কন্ত্রোল তৌননবা অকনবা লাঞ্জং চঙশিল্লক্লিহায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি। হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা হৌথিশিংনা লৈবাক অদুগী খা নোংচুপ থংবা প্রোভিন্স টাইসতা চথুরকখিবা দ্রোন এটেক অমদা য়েমেনগী দিফেন্স মিনিষ্টর অমসুং অতৈ গভর্ণমেন্ট ওফিসলশিং শম্নাদা হিংহৌখি। হন্দক্তা য়েমেনি গভর্ণমেন্টনা কন্ত্রোল তৌবা মফমশিং অমদি মিলিটরি সাইটশিংদা হৌথিশিংনা এটেক কয়া চথদুনা য়ুএননা লুচিংদুনা চথুরকখিবা লমদম অদুদা মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবগী দিপ্লোমেটিক থৌরাংশিংদা চাওনা শোকহনখি।

# কোভিদকা মরী লৈনবা ব্রেনগী লায়না নাবা জপানিস অঙাং চাদা ১০ হেন্না শিখি

টৌকিও, মার্চ ২৭ (এজেন্সী):
কোভিদ ১৯ না শোক্লবা মতুং একুট ব্রেন সিমটোম লৈরকখিবা জপানিস অঙাং চাদা তরা হেন্না শিখি হায়বসি হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী ষ্টদি টিম অমনা হন্দক্তা রিলিজ তৌখিবা নেসনেল সর্ভে অমগী ফাইন্দিংসনা উৎখ্রে।

সর্ভে অদুগী মতুং ইন্না কুমজা ২০২০ গী জনুৱারী অমসুং কুমজা ২০২২ গী মেগী মরক্তা চহী ১৮ মখাগী ইন্দিভিজুয়েলশিংদা কোভিদ ১৯ ইনফেক্সনগা মরী লৈনবা একুট ইন্সেফেলোপেথিগী কেস ৩৪ থেংনখি।

টিম অদুনা ব্রেনগী লায়না অদু লাকহনখিবনি হায়বগী চিংননিংঙাই ওইবা কন্দিসনশিং চেন্দবা পেসেন্ট ৩১ য়েংশিনখি। অঙাং ৩১ দুগী মনুংদা অঙাং ১৯ মপুং ফানা ফগৎলকখি। তৌইগুম্বসুং মখোয়গী মনুংদা অঙাং মরিদি ফগৎলকখিদে অমদি অহেনবা পেসেন্ট নিপাননা প্রোব্লেমশিং অদু থেংনখি। অঙাং নিপানদুগী মনুংদা মঙাদি ফমুংদগী হেন্দোক্তবগা লোয়ননা ৱাখল তাদবা য়াওনা শাথিবা সাইদ ইফেক্টশিংনা শোকহল্লবশিংনি হায়বসি খঙখি।

সর্ভে অদুগী মতুং ইন্না পেসেন্টশিং অদুগী মনুংদা তঙ্খায় অমরোমদা ৱাম্থবগী লাইওং চেনখি। পেসেন্ট খরদা ৱাখল তাবগী চাং হন্থখি অমসুং ৱা ঙাঙবদা ৱাহৈশিং অমগা অমগা শন্নদবগী মওং উবা ফঙখি।

কুমজা ২০২২ গী জনুৱারী নত্তগা মদুগী মতুংদা কোরোনা ভাইরসকী ওমিক্রোন ষ্ট্রেন্থ খঙনরকখিবদা জপানগী ইন্দিভিজুয়েল অঙাং অয়াম্বদা একুট ইন্সেফেলোপেথিগী ফিভম থেংনখি হায়বসি ষ্টদি অদুনা উৎখি।

# ক্রোএসিয়াগী এয়রপোর্টশিংদা সেঙ্গেন রুলশিং এপ্লাই তৌবা হৌখ্রে

জাগ্রেট, মার্চ ২৭ (এজেন্সী):
ক্রোএসিয়াগী এয়রপোর্টশিংদা সেঙ্গেন রুলশিং চৎনহনবা হৌখিবগা লোয়ননা ক্রোএসিয়া অমসুং অতৈ সেঙ্গেন এরিয়াগী মেম্বরশিংদগী পাইগদবা অমদি লৈবাকশিং অসিদা লাক্কদবা এয়র পেসেঞ্জরশিং পাসপোর্ট চেকশিং মখা তানা মথৌ তাররোই হায়রি।

খোঙথাং অসিগা লোয়ননা ক্রোএসিয়া অসি সেঙ্গেনগী মপুং ফাবা মেম্বর অমা ওইরে হায়রি।

অদুম ওইনমক ক্রোএসিয়া অমসুং নন-সেঙ্গেন মেম্বরশিংদা পাইরকপা অমদি লৈবাকশিং অসিদগী পাইগদবা ফ্লাইটশিংদা অহোংবা অমত্তা লৈখিরোই। অহানবা নুমিৎ মার্চ ২৬ তা দিপার্চর অমসুং এরাইভেল ফ্লাইট ১০৮ লৈগনি হায়না থাজে। ফ্লাইটশিং অদুগী মনুংদা ৫৩ না এরাইবেলশিংনি অমসুং মখোয়গী মনুংদা তরাদি সেঙ্গেন এরিয়াগী ৱাংমগীনি হায়না জাগ্রেট ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্টনা নোংমাইজিং নুমিত্তা প্রেস ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি।

ফ্লাইট ৫৫ সু নোংমাইজিং নুমিত্তা ক্রোএসিয়াদগী পাইননবা সেদ্যুল তৌখি। ফ্লাইটশিং অদুগী মনুংদা ১১ দি সেঙ্গেন এরিয়াগী ৱাংমদনি অমসুং ৪৪ না সেঙ্গেন এরিয়া মনুংদনি।


**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR IMPHAL WEST - PATSOI**

**Ref. Mut. Case No. 144/SDC/IW(P) of 2023**

Kongbrailatpam Jogeshchandra Sharma S/o (Late) Jogeshor Sharma of Khwai Brahmapur Nagamapal -Petitioner

-Vrs-

Late Kongbrailatpam Jugeshwar Sharma (@ Rugeshwar) S/o Gourachand Sharma of Khwai Brahmapur -O.P. Party

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / **NOTICE**

27/03/2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ঈ:ও: পাৎশোই তাহশিলগী খুল নম্বর 79-Yurembam গী পাট্টা নম্বর 472 (New) দাগ নম্বর 202 গী পোইন্ট .66 একর চাওবা অঙনফৌগী লম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মহাক্কী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে, মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা / লৈনবশিং অমদি মচা-মশু, শাগৈ-নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং 5/04/2023 ইংগী অয়ূক পুং ১১:০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হুকুম মখা চৎথরগনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Patsoi

HL-P/6376/28



**MANIPUR UNIVERSITY**
**CANCHIPUR : IMPHAL**

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / **LIMITED TENDER NOTICE**

Dated 25th March, 2023

**MU/MU/ADM-4(DPC)/91-BC/1568:** Manipur University invites sealed tender from GST registered firms for Supply of Laboratory chemicals, consumables and glassware for the Deptt. of Biochemistry. Terms & Conditions for the submitting the bids can either be downloaded from the University website www.manipuruniv.ac.in or obtained from the undersigned. Last date of submission of tender is 10th April, 2023.

**Sd/- David K. Zote**
Joint Registrar / Purchase Officer

HL-P/8094/28